# ভাইস চাঞ্চেল্লর অমদি রেগ্যুলর প্রিন্সিপাল হাপ্পীনবা খোঙজং চথরগনি : এদিসন




ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা লৈরিবা কোলেজশিংদা ইন-চার্জ প্রিন্সিপাল ওইনা লিশাং শিংনা পুহল্লিবশিং অসি রেগ্যুলর প্রিন্সিপাল ওইনা হাপ্পীনবা অমদি মণিপুরদা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটিশিংদসু রেগ্যুলর ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইনা হাপ্পীনবা মরী লৈনবা লৈঙাক্তা তকশিল্লগনি হায়না দেসামগী প্রসিদেন্ট নামৈরাকপম এদিসননা ফোঙদোকখ্রে।

দেসামনা শীন্দুনা ঙসি ক্বাকৈথেলদা লৈবা দেসামগী ময়াই লোয়শঙগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা মীট দি মীদিয়া ফ্রেটর্নিটি, ২০২০গী থৌরমদা এদিসননা মখা তানা হায়খি, দেসামনা চহী ১গী অরোইবা নুমীৎ খূদিংগী ঈ-পাউগী লমদা থবক তৌরিবা লমদম অসিগী পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম শীন্দুনা লাক্লি। লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংগীদমক অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাক্লিবা দেসামনা লাক্কদৌরিবা চহী ২০২১দা লূপ অসিনা এক্সন প্লান অহুম পায়খৎলগনি হায়খি।

মরুওইনা হায়র এদ্যুকেসন, স্কুল এদ্যুকেসন অমদি প্রোফেসনল এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসননি। অহানবা ওইনা হায়র এদ্যুকেসনদা মীৎয়েং থম্লগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা চহী ২০২১ ফাওবদা লৈঙাক্কী কোলেজশিংদা রেগ্যুলর প্রিন্সিপাল অমমম হাপ্পীনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা তকশিল্লগনি। মণিপুরদা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটিশিংদা হৌজিক হাঙদুনা লৈরিবা ভি সী, রেজিষ্ট্রার, ফাইনান্স ওফিসর অমদি মরুওইবা নন-টেক্নিকেল ফেকল্টিশিং মতম চানা হাপ্পীনবা মরী লৈনবশিংদা দেসামনা তকশিল্লগনি।

স্কুল এদ্যুকেসনগী ওইনা মাস রিফোর্মেসন কেম্পেন ফেজ থ্রী হৌদোক্লগনি, মহৈরোয়শিংনা দ্রগ এব্যুজ তৌদনবা কেম্পেন চত্থবা অমদি এন ঈ পি ২০২০ ইমপ্লিমেন্টসন তৌরকপদা স্কুল এদ্যুকেসন্দা অফ-ফত্ত নৈনবা অমদি মমালোলদা ওইনা লাইরিক তম্নবা হোৎনহনবনি।

এদিসননা মখা তানা হায়খি, প্রোফেসনল এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসনগী ওইনা দেসামনা টিচর এদ্যুকেসনদা হেন্না কনশিনবা কেম্পেন হৌরগনি। কেম্পেন অসিদা ইমালোলদা মহৈ তম্বীনবা ওজা শেমগৎপা, আই দি ঈ পি (চহী ৪ ইন্টিগ্রেটেদ কোর্স), বি এ বি এইদ, বি এস সী বি এইদ হন্দক্কী সেসনদগী হৌহন্নবা হোৎনরগনি।

অমরোমদা, দাইট অমদি বি এইদ কোলেজশিংদা মথৌ তাবা লৈফম থোকপশিং অদু লৈহন্নবা হোৎনহনগনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা এদিটরস গিল্ড মণিপুরগী প্রসিদেন্ট খোগেন্দ্র খোমদ্রাম অমদি অমজুগী জেনরেল সেক্রেটরি খ্বাইরাকপম নাওবনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা পাউমীশিংদা দেসামনা অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

# লমগী ৱাহৌদা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা মপা-মচা ফারগা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ২৬কী নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চল্লিবা কৈশামথোং হোদাম লৈরক্কী মফম অমদা ইংখোল তায়ননা লৈবা য়ুম অনীগী মীওইশিংগী মরক্তা লমগী ৱাহৌদা থোকখিবা থৌদোক অমগী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা এক্যুইজনি হায়বা মপা-মচা ফারগা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে।

ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎপা কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর-২১৮ (১২)২০২০নি। কেস অসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন-৪৪৭/৫০৬/৩০৭/৩৪গী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি।

কেস অসিগা মরী লৈননা ঙরাং নুংথিল ফাগৎখ্রবশিং অদুদি থৌদোক থোকখ্রিবা মফম অসিদগী ৱাহেংবম লোকেশ্বর (৬০), অপোকপা লৈখিদ্রবা দল্লিয়ু ইবোতোম্বী অমসুং মহাক্কী মচানুপা অর্জুন (২৫)নি। মখোয় অনীবু ঙসি ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মায়কৈদগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোরকখি। অদুম ওইনমক কোর্ট অসিগী মেজিষ্ট্রেট ছুটিদা লৈরম্বদগী মহাক্কী চার্জ পুরিবী জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফার্ষ্ট ক্লাস, ইম্ফাল ৱেষ্ট-১গী কোর্টতা ওইনা পুথোকখি। লোয়ননা পুলিসকী প্রেয়র অসিদা কোর্টনা অয়াবা পীদুনা মপা-মচাবু মথং থাগী ২ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখি।

মখোয় অনীবু ঙসি কোর্টতা পুথোরকখিবদা পুলিসনা সবমিট তৌরকখিবা মখোয়গী কষ্টদিগী রিমান্দ প্রেয়রদা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না কেস অসিগী কমপ্লেনেন্ট অদুগী মমিং থৌনাওজম জেমস, অপোকপা টি ঐচ ইবোচৌ কৌই হায়রি। এক্যুইজনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা মীওই অনী অসিনা কমপ্লেনেন্ট অসিগী খা থংবা শরুক্তা লৈবনি হায়রি।

ইমুং অনীসিগী মরক্তা লমগী ৱাহৌদগী হৌজিক সিভিল জজ সিনিয়র সিভিজন, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা কেস অমা (ওরিজিনেল স্যুইট নম্বর-৬৪ ওফ ২০১৭)গী ৱায়েল চত্থদুনা লৈরিবনি হায়রি।

চৈরকসিদা এক্যুইজনি হায়রিবা মীওই অনী অসিনা য়েৎনরিবা মফম অদুদা চঙশিল্লক্তুনা শম্বল খাজিনবা হৌরকখিবনি। মদুদা কমপ্লেনেন্টকী মায়কৈদগী য়েৎনরিবা লম অদুগী মতাংদা কোর্টতা লৈরিবা কেস অসি লোইশিন্দ্রিবনা তৌদনবা হায়রুবদা য়াদবগা লোয়ননা নমদুনা শম্বল খাবগী থবক অদু চত্থরকখিবনি। মসিদগী ইলিগেল ওইবা মওংদা সিভিল কোর্টকী ইঞ্জঙ্‌সন ওর্দর ভাইওলেট তৌদুনা চত্থরকখিবা থবকশিং অদুগীদমক কমপ্লেনেন্টনা ফোটো অমসুং ভিদিওশিং নমখি। মদুগীদমক মঙোন্দসু নুঙনা থারকখিবগা লোয়ননা থাঙনচিংবা মী শিবা য়াবা খুৎশু-খুৎলায় পায়দুনা কমপ্লেনেন্টবু হাৎনবা হোৎনরকখি হায়রি।

পুলিসকী মায়কৈদগী চত্থরকখিবা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসনদা এক্যুইজ নম্বর-১ ওইরিবা ৱাহেংবম লোকেশ্বরগী লোয়নবী সোমোলাতাবুসু ঙরাং নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা ৱিমেন পুলিস পর্সনেলশিংগী মতেংগা লোয়ননা ফাগৎতুনা মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট লৌখি হায়রি।

## ‘ফুঙ্গা ৱারীগী শক্তম’ ফোঙলগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস): হয়েং নুংথিল পুং ২ তারকপা মতমদা ইম্ফালগী ওল্ড এসেমব্লী রোদতা লৈবা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা পাঙথোক্কদবা অচম্বা থৌরম অমদা হাওবম ননিকুমারনা ইবা লাইরিক ‘ফুঙ্গা ৱারীগী শক্তম’ মীয়ামদা ফোঙদোক্কদৌরি।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসিদা কলচরেল ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর হুইরেম বিহারী, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইংলিস দিপার্টমেন্টকী হেদ ওইরম্বা খংজ্রাকপম কুঞ্জো অমসুং মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ (সাহিত্য একাদেমী)গী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা লেঙবীরকপা ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি। লাইরিক অসি মীয়ামদা ফোঙদোক্তুনা খুদোল তম্বগী থৌরম অসিদা লাইরিক অসিগী মরমদা অশুপ্পা ৱারোলনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ দান্স এন্দ ম্যুজিক্কী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. মৈকাম থোইবনা মীয়ামদা ফোঙদোক্কনি হায়রি।

অমরোমদা, মফম অসিমক্তদা হয়েং নুংথিল পুং ১ দা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদনা কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা অইবী তখেল্লম্বম থোইবীগী ১০১শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা ডা. কোইজম শান্তিবালানা ‘সাহিত্য অমসুং থোইবী’ হায়বসিগী মতাংদা ৱা ঙাংবগা লোয়ননা অরাম্বম মেমেগী ‘ৱাম্মৈরক্তা য়েন্নিং’ কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অমসু ফোঙগনি হায়রি।

# টি ভি এস টু হ্বিলর অমা খুৎশিন্নখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস): জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপারাদা লৈবা ন্যুজ এজেন্সী অমা ওইরিবা জিরি ন্যুজ নেটৱার্ক (জে এন এন)গী ওফিসতা মণিপুর ফুদ ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন লিমিটেদকী ভাইস চ্যেরমেন ওইরিবা কে শরতকুমারনা টি ভি এস টু হ্বিলরগী গাড়ী অমা জে এন এনগী প্রসিদেন্ট মুতুম ব্রোজেন্দ্রদা ঙসি খুৎশিন্নখ্রে।

থৌরম অদুদা শরতকুমারনা হায়খি, ঙসি খুৎশিন্নরিবা গাড়ী অসি জে এন এনগী পাউমীশিংনা পাউ লৌবা চৎপা মতমদা গাড়ী লৈতবগী থেংনরিবা অৱাবা অসি য়েংলগা খুদোল তৌজবনি অমদি ষ্টাফশিংনা ফজনা শীজিন্নদুনা তুং কোয়না অফবা পাউ পুথোকমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

জে এন এনগী প্রসিদেন্ট মুতুম ব্রোজেন্দ্রনা হায়খি, মণিপুর ফুদ ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন লিমিটেদকী ভাইস চ্যেরমেন ওইরিবা কে শরতকুমারনা জে এন এনগী ষ্টাফশিংগী য়েংবীদুনা গাড়ী অমা খুদোল তৌবীবসি ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি অমদি মহাকপু তাইবং শেন্বা মপুনা তৌরু-তৌরুবা থবক্তা মায় পাকপা পীনবীবা ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ফাগৎলবা পোৎলমশিং মৈ থাখ্রে



ককচিং, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস): ৱাইল্ড লাইফ এন্দ বাইওদাইভর্সিটি কঞ্জার্ভেসন কম্মিটি অরাপতি ব্রাঞ্চনা ব্রাঞ্চ অসিনা কোনবা এরিয়াশিংদা লল্লক্কী উচেক ফাবা পুনবা অথিংবা থমদুনা লাক্লিঙৈ চৈরকসিদা ঙসি অয়ুক মনিং পাৎতা দবল বেরেল নোংমৈ পায়বা খরনা পাৎ অসিদা চাক্তাজরিবা উচেক ফাননবা থৌরাংলে হায়বা পাউ পীরকপদগী খুদক্তা লিলোং পি এসকী ও সী এম দি রিয়াজ খানদা পাউ পীদুনা এস আই অনৱার হুসেননা লুচিংবা টিম অমা থাবীরক্তুনা, মেম্বরশিংগা পুন্না চঙশিনখি। মদুদা মীওইশিং অদুদি অপূনবা টিম লাকপা উবদা লোৎখ্রে। অদুমকপু মখা তানা দ্রাইভ চত্থবদা উচেক লাং ৩ ফংবা ঙমখি।

ঙসিগী দ্রাইভ অদুদা চাউনা মতেং পাংবীখিবা লিলোং পি এসগী ও সী অমদি পুলিস টিমবু দল্লিয়ু বি সী অরাপতি ব্রাঞ্চকী মায়কৈদগী তৌবীমল খঙবা উৎচরি। লোয়ননা ফাগৎলবা লাংশিং অদু মীয়াম মমাঙদা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে।

মখা তানা অসিগুম্বা থবকশিং থেংনরবদি ৱাইল্ডলাইফ প্রোটেক্সন এক্ট ১৯৭২গী মতুংইন্না চৈরাক পীননবা শেম শাদুনা লৈ হায়না ব্রাঞ্চ অসিগী প্রসিদেন্ট রঞ্জন নিংথৌজানা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## দি বি এস পিনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস): অরিবা চহী ২০২০ লোইশিল্লকপগা ইরোয়ননা অনৌবা চহী লাকপদা লমদম অসিদা পূন্না খুন্দা লৈতাদুনা লৈমিন্নরক্লিবা কংলৈ ফুরুপচা পূন্নমক্কী মফমদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিটি, দেমোক্রেটিক ভারতিয়া সমাজ পার্টিগী মায়কৈদগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। দি বি এস পি অসিগী মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি কৈশাম আনন্দনা থোরকপা পাউজেল পীবগী চেরোল অমদা অনৌবা চহী ২০২১ লাকপদা লমদম অসিগী মীয়াম পূন্নমক অনা-অয়েক য়াওদনা চাওখৎপা, ঈং-তপ্পা, নুংঙাই-য়াইফবা, তংদু লৈতানা লৈবগা লোয়ননা পাঙথোকনীংবা অনৌবা থবক থৌরম কয়া অয়েৎ অপন খোঙলৌ পলৌদনা মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙম্নবগী খোঙথাংদা থাংবা ওইরসনু হায়রি। লোয়ননা চহী হৌরকপগী হরাওবা ফোঙদোকপদা ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং শীজিন্নদুনা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকহল্লগুমসি হায়রি।

# মৌনহা অমা থৌরী য়ান্দুনা শিরম্বনি হায়বা থৌদোক্কী মতাংদা লম্ফেল পুলিসনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা মপুরোইবা ফারে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ২৭ অমসুং ২৮গী লোন্নবা অহিংদা নোংয়াই মতুং পুং ১.৩০ রোম তারকপদা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চল্লিবা তেরা শাদোকপম লৈকায়গী কম্যুনিটি হোল মনাক্তা লৈবা য়ুম অমগী মৌনহা অমা থৌরী য়ান্দুনা শিরল্লে হায়বা থৌদোক্কী মতাংদা লৈখিদ্রবী মৌনহা অদুগী মবুংনা রিপোর্ট তৌরকপদগী পুলিসনা কেস অমা লৌখৎলগা চত্থরকপা ইনভেষ্টিগেসনদা লৈখিদ্রবীগী মপুরোইবা ফারগা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে।

থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবী মৌনহা অদুগী মমিং য়ুম্নাম নিংঙোল লাইশ্রম ওংবী ইচন কৌই। মশাগী চহী ৩০ রোমদমক শুরি। মপুরোইবগী মমিংনা লৈকায় অসিদগী লাইশ্রম রিশিকুমার এলিয়স মোনি (৩০), অপোকপা এল ইবোতোম্বী কৌই হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈখিদ্রবীগী পোকমিন্নবা মবুং য়ুম্নাম রিজিৎ, অপোকপা লৈখিদ্রবা ৱাই মন্ত্রি, চঙাঙ্গৈ মখা লৈকায়দা লৈবনা মহাক্কী মচলনুপীগী মীশি অসি চিংননিংঙাই ওই হায়বগা লোয়ননা মপুরোইবা অসি দ্রগ য়ুজর অমা ওইবদা নত্তনা মখোয় অনীগী মরক্তা ঙাইহাক লৈতনা খৎন-চৈনবা থোকই। মসিনা মরম ওইদুনা য়াম্না তোয়না মচলনুপী অসি মপামদা হেক হেক হল্লকখি। অদুবু পীক্লিবা মচা অনীগীদমক য়েংদুনা নুপা ময়ুমদা অদুম্মক হনখিবনি হায়রি। মরম অসিনা থৌদোক অসিগী মতাংদা অচুম্বা অশেংবা খঙদোক্লবগীদমক কেস অমা লৌখৎপীয়ু হায়জরকখিবনি হায়রি।

ৱাকৎ অসিগা ঈরোয়ননা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসননা অহানবদা লৈখিদ্রবী মৌনহা অসিগী মীশিগী মতাংদা অন-নেচরেল দেথ (য়ু দি) কেস নম্বর-১৭/লম্ফেল পুলিস ষ্টেসন/২০২০ অন্দর সেক্সন-১৭৪ ক্রিমিনেল প্রোসিজর এক্ট অমা থা অসিগী ১৮দা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। অদুম ওইনমক লৈখিদ্রবীগী মবুংগী মায়কৈদগী কমপ্লেন্ট ফাইল তৌরকপদগী থৌদোক অসিগী মতাংদা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন-৩০৬কী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর-১৩৯ (১২)২০২০ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়রি। লোয়ননা লৈখিদ্রবীগী মপুরোইবা অসি ঙরাং নুংথিল পুং ৫.১৫ রোম তারকপদা তেরা শাদোকপম লৈকায়দা লৈবা ময়ুমদগী ফাগৎখি। অদুগা ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা মেজিষ্ট্রেট অসি ছুটিদা লৈরম্বদগী মহাক্কী চার্জ পুখিবী জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফার্ষ্ট ক্লাস (জে এম এফ সী), ইম্ফাল ৱেষ্ট-১গী কোর্টতা ওইনা পুথোকখি। পুলিসনা এক্যুইজনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা মপুরোইবা অসি ঙসিদগী হৌরদুনা মথং থাগী ২ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ পীবীনবা হায়জরকখিবা অদুদা কোর্টনসু অয়াবা পীদুনা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবনি।

পনবা য়াবদি, লৈখিদ্রবী মৌনহা অসিনা থৌরী য়ানবনি হায়দুনা শিনা ফংদ্রিঙৈগী মমাঙ থা অসিগী ২৭কী নুমীদাং পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা মপুরোইবগা খৎন-চৈনবা অমা থোকখি। মদুদা মপুরোইবনা মহাকপু ৱাচেৎনা কন্দুনা ফুনবা হোৎনবদা লৈখিদ্রবীনা কম্বলনা খুমজিন্দুনা খাংখিবগী থৌদোক অমসু লৈখি। নুমীৎ অদুগী নোংয়াই মতুং মৌনহা অসি ময়ুমগী পুখ্রি মপালদা হৌবা হৈনৌ পাম্বী অমদা থৌরী য়ান্দুনা লৈরল্লে হায়না য়ুমথংনবা নুপী অমনা পাউ পীরকখিবনি হায়রি।

# মীওই ২২দগী লুপা ক্রোর ১.৫ রোমগী কন্ত্রাবান্দ পোৎলমশিং এ আরবা ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস): ইন্সপেক্টর জেনরেল (আই জি) অসাম রাইফলসনা ঙসি থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না অসাম রাইফলসকী ক্রুপশিংনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা চত্থখিবা ওপরেসন অমদা ম্যান্মারদগী লৈবাক অসিগী ঙমখৈ লান্না পুশিল্লক্কবা হোৎনরম্বনি হায়বা লুপা ক্রোর ১.৫ রোমগী মমল ওইগদবা তোঙান তোঙানবা কন্ত্রাবান্দ আইটৈমশিং মীওই ২২দগী ফাগৎপা ঙম্লে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা পোৎলমশিং অদু অসাম রাইফলসকী ক্রুপশিংনা থা অসিগী ২৯ অমসুং ৩০গী লোন্নবা অহিংদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোল্সাং পন্থা ভিলেজগী মফম অমদা চত্থখিবা ওপরেসন্দগী ফাগৎখিবনি হায়রি।

ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা ম্যান্মারদগী স্মগল তৌরকপা চুরুট মখলশিং, য়ু, ফি-রোল অমদি খোঙউপনচিংবা য়াওখি। হায়রিবা পোৎলমশিং অসিগী অচৌবা কন্সাইনমেন্ট অদু মীওই ২২ অদুনা তোঙান তোঙানবা গাড়ী ১৭তা হাপ্তুনা লৈবাক অসিগী ঙমখৈ মনুংদা পুশিল্লক্কবা হোৎনরমখিবনি। অদুম ওইনমক অসাম রাইফলসকী ক্রুপশিংনা গাড়ী ১৭ অদুগী কনভোয় অদুনা ম্যান্মারগী কন্ত্রাবান আইটৈমশিং অদু হাপ্লগা চঙশিল্লক্কবা হোৎনরে হায়বগী মতাংদা ফংখিবা থাজনীংঙাই ওইবা ইন্টলিজেন্স রিপোর্টশিংদা য়ূম্ফম ওইদুনা মফম অদুদা পন্থদনা চঙশিল্লগা ওপরেসন অদু পাঙথোকখিবনি।

ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুগী মার্কেট প্রাইসতা লুপা ক্রোর ১.৫ লোমগী ওইগনি হায়না পানরি হায়রি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুগা লোয়ননা মদুবু পুশিল্লক্কবা হোৎনরম্বা মীওইশিং অদু চান্দেল পুলিস ষ্টেসন্দা মখা তাবা লিগেল এক্সনশিং লৌখৎনবগীদমক খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা চীংগী মনুং হঞ্জিনবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুং চল্লিবা চুড়াচান্দপুর অমসুং ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টতা নহারোলশিংগী করিয়র ওপরচুনিটিশিংগী মতাংদা লেকচর প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

প্রোগ্রাম অসিগী মনুং চন্না মসিদা শরুক য়াখিবা দিষ্ট্রিক্ট অনী অসিগী নহারোলশিংগগী মরক্তা অসাম রাইফলসকী টিম অমগনা লেকচর প্রোগ্রাম অদুগা মরী লৈননা ইন্টরেক্সন সেসন অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

চাউরাক্লা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদগী মহৈরোয় ৯৮ লোমনা হায়রিবা লেকচর প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াখি। মহৈরোয়শিং অসিদা অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী পীখিবা লেকচরশিং অদুনা তোঙান তোঙানবা জোব ওপোর্চুনিতিশিংগী মতাংদা শন্দোক্লা তাকখিবগা লোয়ননা মেদিকেল, লো, ইঞ্জিনিয়ারিং, বেঙ্কিং সেক্টর, সিভিল সর্ভিসেস অমসুং লৈবাক অসিগী আর্মদ ফোর্সেসশিংদা লৈবা জোব ওপোর্চুনিটিগী মতাংদা শন্দোক্লা তাকখি।

খ্বাইদগী মরু ওইনা নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিং অদুদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা আর্মদ ফোর্সেস য়ুনিটশিংদা কম্মিসন তৌদুনা জোইন তৌনবগী লৈরিবা চৎন-কাঙলোনশিংগী মতাংদসু নিংথিজনা ৱাখল তাহনখি হায়রি।

# অসাম রাইফলসনা য়ু জি ৩ ফারে, এম ১৬ রাইফল ২, মেগজিন ৪, মরূ ৮৮ ফংলে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস): ইন্সপেক্টর জেনরেল (আই জি) অসাম রাইফলসনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা তোঙান তোঙানবা অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসন অনীগী মীওই অহুম ফাগৎপা ঙমখিবগা লোয়ননা ওর্গনাইজেসন অমগী মেম্বর অমদগী এম-১৬ রাইফল অনী, নোংমৈসিগী মেগজিন ৪ অমসুং কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৮১ ফাগৎলে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়বদা নোংমৈগা কোন্ননা ফারবা য়ু জি অদু মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন্স (সু) গী অয়াবা লৈনদবা লালহৌলূপ কে আই এ (টি) গী কেদরনি হায়রি।

মহাক থা অসিগী ২৯দা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা টুইলাফাই ভিলেজ মনাক্তগী ফাবনি হায়রি।

অসাম রাইফলসকী ক্রুপশিংনা ফংবা অকক্কবা ইন্টলিজেন্স রিপোর্ট অমদা মফম অদুদা কে আই এ (টি) গী কেদরশিং লৈরে হায়বা খঙবদগী পন্থদনা চঙশিন্দুনা পাঙথোকখিবা ওপরেসন্দা মহাকপু ফাগৎপা ঙমখিবনি। লোয়ননা নোংমৈ অমসুং মরূশিং অসিসু মঙোন্দগী রিকোভর তৌখিবনি হায়রি।

ফারবা মীওই অদু রিকোভর তৌরবা নোংমৈ অমসুং মরূশিং অসিগা কোন্ননা হেংলেপ পুলিস ষ্টেসন্দা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা ঙরাং অসাম রাইফলসনা ইন্টলিজেন্স রিপোর্টতা য়ূম্ফম ওইদুনা চত্থখিবা কোওর্দিনেটেদ ওপরেসন অমদা লালহৌলূপ পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ) গী কাদর অনী ফাগৎলে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়বগী মতুংইন্না ফারে হায়রিবা পি এল এগী কাদরশিং অদুদি প্রাইভেট মাইবম কান্ত অমসুং প্রাইভেট থৌদাম অনৌবী কৌই হায়রি।

মখোয় অনী অসি নহারোলশিংবু পার্টি অসিদা রিক্রুইট তৌবদা ইনভোল্ভ তৌবা মীওইশিংনি হায়রি। অসাম রাইফলসনা চত্থখিবা ওপরেসন অদুনা খুঙ্গংগী নহারোলশিংবু বেন তৌরবা ইন্সর্জেন্ট আউটফিট অসিগী লাংদা থুহন্নবা হোৎনরকপা থৌরাংবু ফেল ওইহনবা ঙম্লে হায়রি।

ফাগৎলবা লালহৌলূপ অসিগী প্রাইভেটকী রেঙ্ক লৈবশিংনি হায়বা মীওই অনী অসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈরোক পুলিস ষ্টেসন্দা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চত্থনবগীদক অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০২০ লোইশিল্লকপগা ইরোয়ননা অনৌবা চহী ২০২১ লাকপদা অসাম রাইফলসকী ইন্সপেক্টর জেনরেল (সাউথ) মেজর জেনরেল অলোক নরেসনা মণিপুরগী মীয়াম অমসুং অসাম রাইফলসকী রেঙ্ক পূন্নমক্তা লৈরিবা পর্সনেলশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মেজর জেনরেল অলোক নরেসকী য়াইফ পাউজেল পীরকপা চেরোল অসিনা হায়, অনৌবা চহী ২০২১ লাকপদা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা, নুংশি চান্নবা অমসুং অমত্তা ওইবা ওইরসনু অমসুং মীয়াম পূন্নমক্কী ইমুংশিংদা নুংঙাই য়াইফবশিং পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

লোয়ননা অকনবা অমসুং চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইরক্নবগীদমক মহাক্কী মায়কৈদগী শেন্বীরকপা মপুবু থৌনিজবগা লোয়ননা পূন্নমক্কী মফমদা হরাও তয়াম্বনা লৈতেংবা ওইরসনু হায়রি।

# ক্ষেত্রি বিরনা ইবা *ককচিংগী ৱারীদা (১৫১৮-১৯৪৫)* ফোঙখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩১ (ঐচ এন এস): চৎলিবা চহী ২০২০ অসিগী অরোইবা নুমীৎ ওইরকপগা লোয়ননা মথংগী অনৌবা কুমজা হৌরক্লগদবা ঙসিগী পুংফমদা কুমজা ২০১৭তা হান্না লৈরম্বা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মথক্তা চীং অমসুং তমদা পুন্না হাপকৎতুনা নৌনা লিংখৎখিবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী পুৱারীশিংদা য়ুম্ফম ওইবা *ককচিংগী ৱারীদা (১৫১৮-১৯৪৫)* হায়না মিংথোনবা শক্লাইরবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অইবা ক্ষেত্রি বিরনা ইবা লাইরিক অমা ফোঙদোক্তুনা মীয়ামদা খুদোল তমখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈবা সাহিত্য সেবা সমিটি, মণিপুর, ককচিংনা শীন্দুনা মফম অসিগী ককচিং ফৌশুপাৎ লৈকায়দা লৈবা লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর (এল আই সী), ককচিংগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখিবা লাইরিক অসি হৌনবী মতুংইন্না মীয়ামদা ফোঙদোকপগী অচম্বা থৌরম অদুদা নাওরোইবম ইন্দ্রমনি, (প্রসিদেন্ট) হিষ্টোরিকেল সোসাইটি, মণিপুর, য়েংখোম কেংবা, (প্রসিদেন্ট) সাহিত্য সেবা সমিটি, মণিপুর, ককচিং অমসুং ডা. থোকচোম ওজিৎ, (প্রসিদেন্ট) রিপ্রজেন্টেটিভ ওফ লোইস (আর ও এল) ককচিংনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মীয়াম্না শকখঙনরবা অইবা ক্ষেত্রিময়ুম বির (ক্ষেত্রি বির)না ইবা লাইরিক অসি ফোঙদোক্লবা মতুংদা মসিবু ক্ষেত্রি ওংবী লাইময়ুম সুনিতানা সাহিত্য সেবা সমিটি, মণিপুর, ককচিংগীদমক ফোঙখিবা লাইরিক, ককচিংগী ৱারীদা (১৫১৮-১৯৪৫) অসিবু মশক তাকপগা লোয়ননা মসিগী মরমদা শক্লাইরবা লমদম অসিগী অইবশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা অইবা সলাম তোম্বা, তৌবুলনা ৱা ঙাংদুনা মশক তাকখি।

পনবা য়াবদি, লাইরিক অসিদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী কুমজা ১৫১৮দগী হৌরক্লগা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও থোকখিবা কুমজা ১৯৪৫ ফাওবদা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মমি তারি।